# ১৯৮০ দা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী টিমদা য়াওদুনা সী সী মীট অহানবা ওইনা শান্নজরকখি : কোন্সম বিরেন



কোন্সম বিরেন




(হান্নগী মখা...) সী সী মীটসিদি মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টনি। লমদমসিগী মীয়াম্নসু য়াম্না পাম্নবা ওই। মপান কাংজেবুঙ পীক পীক থন্না য়েংনবা গেম অমা হায়বা তারবদি সী সী মীটনি। ঐনা পুলিসতা চঙলকপা মতমসি, কর্নময় সাহেবনা মণিপুর পুলিস ক্লব পায়রম্মী। সরসি ইম্ফাল এস পী ওইবতা নত্তনা মতমদুদা ফর্ষ্ট এম আরসু মানা পুই। অমরোমদসু, কর্নময় সাহেবসি য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী।

মণিপুর পুলিস ক্লবকা ফাইনেল শান্নগদবা নুমিৎসিদা ঙসিদি নঙ য়ঙ ফিজিকতা শান্নবা য়াওরনু, ময়ামগী অশোই-অঙাম য়েংশিল্লগা লৈরো হায়দুনা সরনা ঐহাকসি ফর্ষ্ট ফিল্ডিংসিদা য়াওহন্দ্রে। পুলিস ওফিসর ওইবনিনা মখোয়না হায়রকপদা হিক্তোকপদি ঙমদ্রে। শান্নবদি য়াম্না য়াওনিংখি। হান্না ঐনা শান্নজরম্বা অদুদি ইশাগী লোকেল ক্লব য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব হায়বদুদনি। সেকেন্দ ডিভিজন্দনি শান্নরল্লিবদুসু। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা, ফর্ষ্ট ডিভিজনদা খরা মায় পাক্লা শান্নবা ঙন্বা টিমদি শুপ্পগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগা, য়ু এস এগা অনীসিখক্তনি। প্লেয়র মরকসিদসু, ফর্ষ্ট ডিভিজনদা শান্নবা প্লেয়রনা সেকেন্দ ডিভিজনদা শান্নবা কাঙবুসি কয়া উশিংতে। ওর্গনাইজেসন কাঙবুদসু, ক্রক ক্রক য়েংশিন্নরিবনি। অদুনা, ফর্ষ্ট ডিভিজনদা শান্ননবসি কন্না হোৎননৈ। ঐহাকসু সেকেন্দ ডিভিজনদা শান্নরম্বা প্লেয়রনিনা য়ঙ ফিজিক টিমদা য়াওদুনা, সী সী মীটতা শান্ননিংবা তশেংনা ফাওখি।

১৯৮০ গী সী সী মীটকী ফাইনেলসি পুলিসকা য়ঙ ফিজিকতা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নবসিদা, পাক গোল চন্নবসি ঙম্নখিদে। কন্না শান্নরকপা মতমসিদা, কৈখুদগী য়ঙ ফিজিকতা শান্নরম্বা তা চাওবসি মখোঙ শোক্তুনা থোরকখি। মদুদগী ঐহাকসি প্লে য়াওদবা য়াদদুনা য়ঙ ফিজিকতা য়াওরগা শান্নখি। ইশানা শান্ননিংনা থোক্লগা শান্নবনিনা, শান্নফম থোকপদি অদুম শান্নরে। অদুবু, শান্নরিবা মওংদু ইনীং তম্বদি ঙমদ্রে। খীক্তং শোইরে থারিবোই নিঙবা, খরা কনখৎনা শান্নরুরে নঙদি খরা খরা য়েংনা শান্নরকউ হায়না লাউশিল্লকপা তৌদুনা শান্নফম খঙদ্রে। ঐঙোন্দসু নুংঙাইতবা অমা পোক্লে। মদুগী ফাইনেলদু পুলিসনা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর লৌখি। গোলসি ১-০ দা থোইখি। গোল চনখিবদু পুলিস টিমদা রাইট হাফ শান্নরম্বা অদুমৈনা চনখিবনি। অদুমৈসি চীঙমৈরোংদগীনি। হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। অদুমাইনা ঐহাকসি, সী সী মীট অহানবা য়াওজবা মতমসিদা নুংঙাইতবা কয়া মায়োক্লখি। অদুবু, শান্নবসিদদি থাক খরা হাইগৎলকখি। হায়রিবা চহী ১৯৭৯/৮০ সিদা, গুৱাহাটিদা ঐহাক বোরদোলোই ট্রোফি শান্নবসু চৎলকখি। মসিগী মখা তারকপদি শান্নবসি অমগী মথংদা অমা শুকলেপ লেপ্তুনা চৎলকখ্রে। সিক্কিমদা তৌখিবা গভর্নর গোল্ড কপ্তসু পুলিস টিমদা য়াওদুনা শান্নবা হৌরকখ্রে। য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নদগী পুলিস ক্লবতা ট্রান্সফর তৌরে। সোমদসু পুলিস ট্রেনিং লোইশিল্লকপগা লোয়ননা খূৎলায় পায়রকপা মতমসিদা, মপান্দা শান্নবা অদুম লেপ্তুনা চৎপা হৌরে। মণিপুরদা পুলিস ওফিসর ওইনা লৈবীরম্বা, পুলিসকী স্পোর্টস মুভমেন্টতা থৱায় য়াম্না য়াওবীরম্বা পান্দের সাহেবনা লৈরিঙৈদা য়াম্না ফজবা পুলিস টিমগী মশক অমসু লৈজরম্মী। ঐহাকসু পুলিস টিমদা য়াওদুনা ১৯৭৯ দগী গভর্নর গোল্ড কপসি সিক্কিমদা, কালিকট (১৯৮১) তা, কেরলাদা (১৯৮১) শান্নজরকখি। পান্দের সাহেবতা তৌরগা টুর্নামেন্টসি অমা হেক লোইবগা অমদ কন্টেক্ট তৌর-তৌরগা মথং মথং অদুম শান্নহল্লকখি। পান্দের সাহেবসিদি মণিপুর পুলিসকী, শান্নবদা মশক থোকপা টিম ফজনা শেমগৎপীরম্বা ওফিসরনি। টেলেন্ট লৈবা স্পোর্টস পর্সন কয়া মাগী মতমদা থবক পীদুনা শেমগৎপীরম্মী। মণিপুরদগী হেক থোকখিবগা টুর্নামেন্ট মথং মথং শান্নবদা মতম কুইনা য়ূমদা হল্লক্তবা য়াম্না য়াওখি। ঐখোয় মতমগী শান্নরোয়শিং অদুসু টিম মেচিং য়াম্না চাখি। অখুবা, বোরসিংহ, সনায়াই, জয়, তা-প্রেমচান্দ (ইষ্টর্নদগী লাকখিবা), তা-বীরেন অৱাংবা (উরিপোক্তগী গোলকীপ্পর) ঐখোয়সি শান্নমিন্নরকখিবনি। তা-প্রেমচান্দগা, তা-বীরেন অৱাংবগসিসু ফনা সিনিয়র ওইরফাওবা পুলিস টিমদা কুইনা শান্নরম্মী। -মথং মথং-

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৯

১. মপানা পঞ্জাবী, মমানা ইংলিশ নুপী, মহাক্লা ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক কনানো?

২. ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল অদুদা করম্বা লৈবাক্লা হৌজিক মহাক্কী 'লোয়লম' ওইদুনা লৈরিবা লৈবাক্কী টিমগা মায়োক্লনা শান্নখিবগে?

৩. মিটর ৩০০০গী ষ্টিপল চেজদা লেপ স্কোররশিংনা মশীং থিবা লানখিবদগী লমজেল্লোয়শিং অদুনা ট্রেক্কী অকোয়বদা চেল্লিবা অদুবু রাউন্দ অমগা মিটর ৬০ হেন্না চেলহন্দুনা মিটর ৩৪৬০ চেলহনখি। থৌদোক অসি করম্বা সহরদা, করম্বা চহীদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্তা থোকখিবগে?

৪. নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়না মমিং থোনবা টিম অমা ফিফাদা তোঙান্না এফিলিয়েট তৌদুনা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ্তা শরুক য়াবা য়াদে, ইন্দিয়াগী টিম ওইনা শরুক য়াগদবনি। হন্দক্কী ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অন্দর-১৭ অদুদা লৈবাক অমগী টিম নত্তবা, লৈবাক অমগী নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগুম্বা অমা শরুক য়াহল্লিবা টিম অদুগী মমিং করি কৌবগে?



৫. পীরিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫ য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# রিএল মেদ্রিদনা লাস পালমাস মায়থীবা পীখ্রে

মেদ্রিদ, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি) : লা লীগাগী হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মেচতা রিএল মেদ্রিদনা লাস পালমাসপু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

রিএল মেদ্রিদ অমসুং লাস পালমাসনা শান্নখিবা মেচ অদুদা রিএল মেদ্রিদকী মায়কৈদগী লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনিট ৪খক্তমক ঙাইরবা মতমদা কেসিমিরোনা হেদ্দিং তৌদুনা রিএল মেদ্রিদক অহানবা গোল চনখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৬শুবা মিনিটতা মার্কো অসেন্সিওনা রিএল মেদ্রিদকী অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা অহুমশুবা



গোল অদুনা ইস্কোনা চনখি। রিএল মেদ্রিদনা মমাঙদা হন্না হন্না মায়থীখিবগী থোক্লকখিবা ৱাথোক্কী ৱারীশিং অদু মেচ অদু মায় পাকখিবদগী ইংথনখ্রে। লা লীগাগী অতোপ্পা মেচশিংদনা ভিলা রিএলনা মালাগাবু গোল ২-০দা অমসুং বিগোনা এথলেটিক বিলগাওবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

# এ এফ সী অন্দর-১৯ চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়রসতা ইন্দিয়াগা য়েমেনগা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



দামন, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি) : এ এফ সী অন্দর-১৯ চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়রসকী গ্রুপ দিগী ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়া অমসুং য়েমেন্না শান্নখিবা মেচ গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী প্রিন্স মোহম্মদ বিন ফাহদ ষ্টেদিয়মদা এ এফ সী অন্দর-১৯ চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়রসকী ওইনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেচতা য়েমেনগা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপগী অঙনবা শরুক্তা য়েমেন্না বোল পায়বগী চাং হেনখি। য়েমেন্না ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং নমখায়দুনা এটেক কয়া চথুরকখ্রবসু গোল কিপর মোইরাংথেম ধিরজনা মখোয়গী হোৎনজমন পূম্বা অরেম্বদা তাহনখি। য়েমেনগী এটেকশিং অদু ধিরজনা মপূং ফাহনখিদবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা থাজবগী চাং হেনগৎলকপগী মমি তাখি। মেচকী ১৫শুবা মিনিটকী মতুংদগীদি ইন্দিয়ানা য়েমেনবু নিংহন্নবা ফাওহনখি। মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা রহিম অলিনা পীরকখিবা পাস অমা কিয়াম অমরজিৎনা ওকপগা লোয়ননা বোল অদু দি বোক্স মপান্দগী কাওশিনবদা মপা চুমদবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেচকী ২৯শুবা মিনিটতা অমুক নিন্থোইঙানবা মীতৈনা খায়দোরকখিবা বোল ৱাংজম সুরেসনা গোল পোষ্ট তম্না শাফু কন্না কাওশিল্লকপদা বার লান্দুনা চৎখি। মেচকী হৌরকপদা য়েমেন্না খূদুম চনগদবা মাল্লম্নবসু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদদি ইন্দিয়ানা য়েমেনবুসু মনিং হলহনখি।

অনীশুবা হাফকী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। রহিম অলিনা মেচকী ৪৬শুবা মিনিটতা কাওশিনখিবা বোল অদু য়েমেনগী গোল কিপরদা চপ চানা তাখিবনা খুদোংচাবা অদু খূৎতগী নান্থোকপগুম তৌখি। মসিগী মতুং তারকপদা অভিসেক হলদরনা য়েমেনগী গোল পোষ্ট তম্না কাওশিনখিবা বোল অদুসু মপা চূমদনা চৎখি। য়েমেন্না অনীশুবা হাফতা থোইনা হেন্না এটেক চথুবা ঙমখিদে। মেচকী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়া অমসুং য়েমেন গোল অমত্তা চন্নদনা গোল ০-০দা দ্রো চৎখি। ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মেচতা টর্কিমিনিষ্টানগা শান্নগদৌরি।

# ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী লোগো লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি) : ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা য়ূম্বু ওইরগা গুৱাহাটিদা লাক্লিবা নবেম্বর ১৯দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন'স য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭কী লোগো লোঞ্চ তৌখ্রে।

মালেমগী লৈবাক ৩৮দগী বোক্সর ২০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন'স য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওফিসিএল লোগো লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা আসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱাল অমসুং বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা হায়খি, গুৱাহাটিবু লৈবাক অসিগী অনৌবা স্পোর্টস কেপিটেল ওইহন্নবা ঐহাক্কী ওইবা পান্দম লৈ। অসামগী শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎনবগীদমক লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মিৎয়েং কয়া থল্লি।

বি এফ আইগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা ৱিমেন'স য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ঐখোয়না উগদৌরিবা ইন্দিয়ন টিমগী বোক্সরশিং অসি কুমজা ২০২০গী টোকিও ওলেম্পিক গেমসদা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদবা বোক্সরশিংনি। ৱিমেন'স য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ন টিমগী বোক্সরশিংনা শোয়দনমক্কী ফজরবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওফিসিএল লোগো লোঞ্চ তৌখিবদা নত্তনা অসামগী মমিং লৈরবা মচি অমখক পানবা রাইনোবু 'গাপ্পি' হায়না মিংথোনদুনা ওফিসিএল মাসকোট ওইনা খনখি। অদুগা 'ৱি আর হিয়র টু নোক য়ু আউট' হায়না মিংথোনবা ওফিসিএল সোং অমসু ফোঙদোকখি। ঈশৈ অসি সান্না কম্পোজ তৌরগা সুনিদি চোহান্না শকপা ঈশৈনি।

কুমজা ২০০৬তা ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা ৱিমেন'স সেনিয়র ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী য়ূম্বু ওইখ্রবা মতুংদা হন্দক ৱিমেন'স য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসি অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মথং চহীদসু লৈবাক অসিনা অমুক সেনিয়র ৱিমেন'স সেনিয়র ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী য়ূম্বু ওইগদৌরি। অদুগা কুমজা ২০২১দনা মেন'স সেনিয়র ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপসু লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদৌরি।




# এফ আই এস রেঙ্কিংগী টোপ টেন্দা ইন্দিয়াগী ৱিমেন'স হোকি টিম য়াওরে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি) : ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন (এফএস আই) গী নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী ৱিমেন'স হোকি টিম টোপ টেন্দা য়াওরে।

ৱিমেন'স হোকি এসিয়া কপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা শান্নখিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা চাইনাবু শুট আউটতা গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিমেন'স হোকি এসিয়া কপকী টাইটল লৌরদুনা নৌনা থোক্লকখিবা এফ এস আইগী রেঙ্কিংগী টোপ টেন্দা য়াওবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী মমাঙদা ইন্দিয়ানা আই দব্লিয়ু এফকী ১২শুবা রেঙ্কিংদা লৈরমখিবনি। হান্না লৈরম্বা মফমদগী এসিয়া কপ্তা রানি রামপালনা লুচিংখিবা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মফম অনী হাইগৎলল্লগা সাউথ কোরিয়াদগীনা মখা অমসুং স্পেন্দগীনা মথক থংলগা ১০শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

নৌনা থোকখিবা এফ এস আইগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন নেদরলেন্দসনা হান্নগুম্ব মকোক্তা অদুমক লেংদনা লৈরি। অনীশুবা পোজিসন্দনা ইংলেন্দ, পান অমেরিকান কপকী চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনানা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। য়ুএস এদি হান্না লৈরম্বা মফমদগী হাইথরগা ৭শুবদা লৈখ্রে।

ওসিনিয়া কপ ২০১৭কী ৱিন্নর ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ু এস এনা হান্না লৈরম্বা মরিশুবা মফম অদু কনখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াগী মথংদা তুং ইন্নরগা ন্যুজিলেন্দ অমসুং জর্মনিনা মঙাশুবা অমসুং তরুকশুবা মফমদা লৈরি।

নুপাগী অনৌবা এফ এস আই রেঙ্কিংদনা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিম হান্নদগী অহোংবা অমত্তা লৈতনা তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম অসিনা লাক্কদৌরিবা ২০১৮ ৱর্ল্ড কপ অসিদা ক্বালিফাই ওইখিবা অসিদা লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা মীওইকয়ানা টিম অসিবু থাগৎনরক্লি।

HL-P/4705/5-9,11,13,15,17,19,21,23,25....

# জেক সোক্লা পেরিস মাষ্টরসকী টাইটল লৌদুনা এ টি পি টুর ফাইনেলসকী অরোইবা মফম কনবা ঙমখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি) : অমেরিকান জেক সোক্লা পেরিস মাষ্টরসকী টাইটল লৌদুনা এ টি পি টুর ফাইনেলসকী অরোইবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

পেরিস মাষ্টরসকী ফাইনেলদা সর্বিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিক অমসুং অমেরিকান জেক সোক নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখি। মেচ অদুদা অমেরিকান জেক সোক্লা সর্বিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিকপু ৫-৭, ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীরল্লগা শঙহাই মাষ্টরসকী টাইটল অসি লৌখিবনি।

লন্দন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা সিজন অসিগী অরোইবা এ টি পি ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলসতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৮গী মনুংদা শান্নরোয় ৭ মমাঙদা মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইখ্রবা তুংদা জেক সোক্লা পেরিস মাষ্টরসকী টাইটল অসি লৌরগা অরোইবা হায়বদি ৮শুবা মফম কনখিবনি। কুমজা ১৯৯৯দা এন্দ্রে অগাসিনা পেরিস মাষ্টরসকী টাইটল লৌখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ২৫খক্তা ঙাইরিবা জেক সোক্লা পেরিস মাষ্টরসকী টাইটল লৌবা ঙন্বা অহানবা শান্নরোয়সু ওইবা ঙমখ্রে।



পেরিস মাষ্টরসকী মাঙওইননা লন্দন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা এ টি পি টুর ফাইনেলসকী ক্বালিফায়িং লমজেলদা ২৪শুবা মফমদা লৈরমখিবা জেক সোকনা টাইটল অসি লৌখিবদগী স্পেনগী পেব্লো কারেনোবু তুংওইনরল্লগা ৮শুবা মফম অসি কনবা ঙমখিবনি। মহাক্কী কেরিয়রদা অহানবা ওইনা পেরিস মাষ্টরসকী টাইটল লৌখিবা অসিনা জেক সোক্লা সিজন অসি লোইরকপদা অমেরিকাগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরগনি।

# য়ু পি ফুটবোল টিমগী মেম্বর তরেৎতা এটেক চথুরকখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৭(এজেন্সি) : উত্তর প্রদেশ ফুটবোল টিমগী মেম্বর তরেৎতা শকখঙদবা খরনা এটেক চথুরকপদগী অশোক অপন নংখ্রে। বিহারগী সমষ্টিপুরদা পাঙথোকপা ষ্টেট টুর্নামেন্ট অমদা শরুক য়াররগা গ্বালিয়র বারুনি এক্সপ্রেসতা তোংদুনা য়ূম হল্লকপদা শকখঙদবশিং অদুনা এটেক চথুরকখিবনি। এটেক অদু দিওরিয়াদা লৈবা ভাটপরানি রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তনি। এটেক অদুদা উত্তর প্রদেশ ফুটবোল টিমগী কোচ বিনে গোপাল শ্রীবাষ্টাবাসু অশোক অপন নংবা অদুদা য়াওখি। শোক্লবা শান্নরোয়শিং অদু দিওরিয়া দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।






HL-B/4703/15/10-14